

# সনাৈলবাক স্পোর্টস

IMPHAL, WEDNESDAY, APRIL 24, 2019 PAGE 7




*থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোক্তা চথরিবা এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী কেজি ৬০গী কেটেগোরিদা সেমি ফাইনেল চঙখ্রবা ইন্দিয়াগী সিব থাপা*

*ষ্টুট্টগার্ট ওপনদা খাং শোকপদগী শরুক যাবা ঙম্লোইদৌরিবী নুপীগী সিঙ্গলসকী ৱার্ল্ড নম্বর টু ওইরিবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ*

## বজরং পুনিয়ানা এসিয়ান রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপকী কেজি ৬৫ গী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী অহানবা গোল্ড লৌখ্রে

*জিয়ান (চাইনা), এপ্রিল ২৩ঃ*

চাইনানা যুম্বু ওইরগা লৈবাক অসিগী সিটি জিয়ানদা ঙসিদগী হৌখিবা এসিয়ান রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা নুপাগী কেজি ৬৫ গী কাঙলূপ্তা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর বজরং পুনিয়ানা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অহানবা গোল্ড মেডল লৌখ্রে।



*নুপাগী কেজি ৬৫ গী কেটেগোরিদা গোল্ড লৌখ্রবা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর বজরং পুনিয়া*

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী কেজি ৬৫ গী ফাইনেল বাওটতা ইন্দিয়াগী বজরং পুনিয়ানা কজাখষ্টানগী রেষ্টলর সায়াটবেক ওকাসোভপু য়াম্না লম্বা মান্নখিবা বাওট অমদা পোইন্ট ১২–৭ দা মায়থিবা পীরম্লগা কেটেগোরি অসিগী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

বাওট অসিগী অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী বজরং পুনিয়া কজাখষ্টানগী রেষ্টলর ওকাসোভতগী পোইন্ট ২–৫ দা শোত্থদুনা লাকখি। অদুবু লেমহৌরিবা রাউন্দশিং অদুদা অমুক হন্না কেটেগোরি অসিগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইখ্রবা ইন্দিয়াগী বজরং পুনিয়ানা কজাখষ্টানগী রেষ্টলর অদুবু লাকশিনবা ঙমখিবদগী বাওট অদু মায় পাক্তুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

নীংশিংবা য়াই ইন্দিয়াগী বজরং পুনিয়ানা ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল বাওটতা উজবেকিষ্টানগী সিরোজিদ্দিন খাসানোভপু য়াম্না লায়না পোইন্ট ১২–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙলকপনি।

নুপাগী কেজি ৭৯ গী সেমি ফাইনেল বাওট অমদা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর প্রভিন রানানা কজাখষ্টানগী গালিমঝান উসরবায়েভপু য়াম্না নক্লবা স্কোর ৩–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

পরভিননা মমাঙগী রাউন্দশিং দা জপানগী য়ুটা অবে অমদি মোঙ্গোলিয়াগী টুগস ইরদেনি দেনজেনসারাভপু মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপনি।

ইন্দিয়াগী পরভিন রানানা কেজি ৭৯ গী ফাইনেল বাওটতা ইরানগী রেষ্টলর বাহমান মোহমদ টেমোরিগা শান্নরগনি।

নুপাগী কেজি ৫৭ কী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী রভি কুমার মহাক্কী রেপিচেজ বাওটতা চাইনিজ তাইপৈগী চিয়া সো লিয়ুবু পোইন্ট ৪–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ব্রোঞ্জ মেডল প্লে ওফ রাউন্দ য়ৌবা ঙমদুনা জপানগী য়ুকী টাকাহসিগা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়াগী নুপা রেষ্টলর সত্যৱার্টনা কেজি ৯৭ গী কাঙলূপ্তা শরুক য়াদুনা শান্নখিবদা ক্বার্টর ফাইনেলদা বাটজুল উলজি সাইখানগী মখূত্তা মায়থিহৌরবসু মহাক্কী মোঙ্গোলিয়াগী রাইবেলনা ফাইনেল য়ৌখিবদগী মহাক ব্রোঞ্জ মেডল রাউন্দ চঙলকখি।

নুপাগী কেজি ৭০গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী রজনিস টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা রাউন্দদা মায়থিহৌবদগী লৈহৌখি।

এসিয়ান রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপীগী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা রেষ্টলরশিং ভিনেস ফোগট, সাক্সি মালিক, পুজা ধান্দা অমদি দিভ্য কাক্রাননা মখোয়–মখোয়গী লম্বাশিং মায়থিবা পীদুনা মেডল রাউন্দ য়ৌনবা হোৎনগদৌরি।

## মণিপুরগী বোক্সর সরিতা দেবীগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী বোক্সর ৩ এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপকী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*বেঙ্কোক, এপ্রিল ২৩ঃ*

থাইলেন্দনা যুম্বু ওইদুনা চথরিবা এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা মণিপুরগী নুপী বোক্সর সরিতা দেবী য়াওনা ইন্দিয়াগী বোক্সর ৩ সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।



চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী কেজি ৬০গী ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অমদা মণিপুরগী ভেটরান বোক্সর সরিতা দেবীনা কজাখষ্টানগী রিমা ভোলোসেনকোবু ইসপ্লিট দিসিজনদা মায়থিবা পীরম্লগা মেডল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই সরিতা দেবী এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী কুমজা ২০১০ গী ইদিসনদা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখিবনি।

মশাগী চহী ৩৭ শুরবী মমাঙদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্লবী মণিপুরগী নুপী বোক্সর সরিতা দেবী মমাঙ চহীদা ন্যু দিল্লিনা যুম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা মেডল ফংবা ঙমদনা লৈহৌবনি।

এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপাগী কেজি ৫১ গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবা জুনিয়র ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী নিখট জারিননা ঙসি থিন্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল বাওটতা কজাখষ্টানগী বোক্সর নাজিম কিজেবেবু মায়থিবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মমাঙগী ইদিসনদা সিলভর মেডল ফংখিবী ইন্দিয়াগী মনিসা মোরনা কেজি ৫৪ দা শরুক য়ারকপদা ফিলিপিন্সকী বোক্সর পেটেসিও জা নাইসপু মায়থিবা পীরম্লগা মহাকসু সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা য়ামদ্রবদা ব্রোঞ্জ মেডল অমদি শোয়দনা ফংলগনি।

মমাঙগী নেসনেল চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী সিমরনজিৎ কোরনা কেজি ৬৪ গী কেটেগোরিদা শরুক য়াদুনা ঙসি থিন্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অমদা ভিয়েটনামগী বোক্সর হা থি লিহনবু য়াম্না লায়না মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

নুপাগী কেজি ৯১ মথক্কী কাঙলূপ্তা শরুক য়ারিবা কম্মনৱেল্‌থ গেমস সিলভর মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী সটিস কুমারনা ঙসি পাঙথোকখিবা ক্বার্টর ফাইনেল বাওটতা সাউথ কোরিয়াগী কিম দোলিওনবু মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপাগী বোক্সর অনী আসিস কুমার (কেজি ৭৫) অমদি আসিস (কেজি ৬৯) সু মহাক–মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল বাওটশিং মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখিবদগী য়ামদ্রবদা মেডল অমদি শোয়দনা ফংলগনি।

কেজি ৭৫ গী কাঙলূপ্তা শরুক য়ারিবা আসিস কুমারনা ঙসি থিন্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল বাওটতা কিরগিষ্টানগী ওমরবেক উলু বেঝিগিটপু জজশিংনা অমত্তা ওইনা পীখিবা দিসিজননা মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

অদুগা কেজি ৬৯ দা শরুক য়ারিবা আসিসনা ঙসি পাঙথোকখিবা ক্বার্টর ফাইনেল বাওটতা য়াম্না ফজবা এটেক্কিং পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা ভিয়েটনামগী বোক্সর ত্রান দক থোবু য়াম্না হেনবা মওংদা পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপাগী কেজি ৬০গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী সিব থাপানা ক্বার্টর ফাইনেল বাওটতা থাইলেন্দগী রুজাক্রান জুন্ট্রোংবু পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা কজাখষ্টানগী জাকির সাফিউল্লিনগা থিন্নরগনি।

কম্মনৱেল্‌থ গেমস ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী নমন তনৱারনা কেজি ৯১ গী কাঙলূপ্তা শরুক য়াদুনা থিন্নখিবদা ক্বার্টর ফাইনেলদা জোরদানগী হুসেন ঐসাইসকী মখূত্তা পোইন্ট ০–৫ সা মায়থিহৌখি।

নুপীগী কেজি ৭৫ গী কেটেগোরিদা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী নুপুরসু ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অমদা সাউথ কোরিয়াগী পাক উন সিমগী মখূত্তা মায়থিহৌখি।

## ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগকী ৪০শুবা মেটচতা দিল্লি কেপিটেলসনা রাজস্থান রোয়েলসপু ৱিকেট ৬ তা মায়থিবা পীখ্রে



*জয়পুর, এপ্রিল ২৩ঃ*

ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা রাজস্থানগী সিটি জয়পুরদা শান্নখিবা ৪০শুবা লীগ মেটচ অমদা দিল্লি কেপিটেলসনা রাজস্থান রোয়েলসপু ৱিকেট ৬ তা মায়থিবা পীখ্রে।

৪০শুবা লীগ মেটচ অসিগী টোস দিল্লি কেপিটেলসনা ঙমদুনা বোল্লিং হান্না তৌখি। রাজস্থান রোয়েলসনা হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নরকপদা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৯১ লৌবা ঙমখি।

রাজস্থানগী ওপনর সঞ্জু সামসন রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আওট ওইখি। মতম অসিদা রাজস্থান রোয়েলসকী অপুনবা রন ৫ ওইখি। অহুমশুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা টিম অসিগী কেপ্টেন ষ্টিভন স্মিথনা অতোপ্পা ওপনর অজিনক্য রহানেগা য়াম্না ফজবা পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা টিম অসিগী অপুনবা স্কোর অদু ১০০ লান্থোকহনবা ঙমখি।

৩শুবা বেটসমেন ষ্টিভন স্মিথনা বোল ৩২ মায়োক্লবদা ফোর ৮ য়ৈরগা রন ৫০ লৌরম্লগা টিমগী অপুনবা স্কোর ১৩৫ দা আওট ওইখি।

নৌনা চঙলকখিবা বেন ষ্টোক্স রন ৮ লৌরম্লগা আওট ওইখি। ৫শুবা বেটসমেন এষ্টোন ট্যুনর রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা অহানবা বোল মায়োক্লবদা আওট ওইখি। ৬শুবা বেটসমেন ষ্টুৱার্ট বিন্নীসু টিমগী অপুনবা স্কোর অদুদা রন ১৯ হাপচিনবা ঙমখি।

রাজস্থান রোয়েলসকী মায়কৈদগী ওপনর ওইখিবা অজিনক্য রহানেনা দিল্লিগী বোল্লরশিং অদুবু নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমদুনা বোল ৬৩ মায়োক্লবদা সিক্স ৩ অমদি ফোর ১১ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ১০৫ লৌরম্বা অসিনা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি।

দিল্লি কেপিটেলসনা মায় পাক্নবগী রন ১৯২ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু ২০শুবা ওভরগী ২শুবা বোলদা শুপ্নগী ৱিকেট ৪ খক আওট ওইরগা লৌবা ঙমদুনা মেটচ অদু ৱিকেট ৬ তা মায় পাকখি।

দিল্লি কেপিটেলসকী ইন্নিংস হৌবদগী ফিভম ফজরকখি। ওপনর অনীনা টিমগী অপুনবা স্কোর অদু ৫০ লান্থোকহনবা ঙমখি। ওপনর সিখর ধৱন বোল ২৭ মায়োক্লবদা সিক্স ২ অমদি ফোর ৮ য়ৈরগা অপুনবা রন ৫৪ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

অহুমশুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা টিম অসিগী কেপ্টেন স্রিয়েস আয়র রন ৪ লৌরম্লগা আওট ওইখি। ৪শুবা বেটসমেন ওইনা রিসব পন্ট শান্নবা চঙলকখি।


ওপনর পৃথবী অমদি ৪শুবা বেটসমেন রিসব পন্টনা য়াম্না ফজবা পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা টিম অসিগী অপুনবা স্কোর অদু ১৫০ লান্থোকহনবা ঙমখি। ওপনর রিসব পন্ট বোল ৩৯ মায়োক্লবদা সিক্স ১ অমদি ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৪২ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

৫শুবা বেটসমেন সেরফানে রুথরফোর্দনা রন ১১ লৌরমখি। ৪শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা রিসব পন্টনা রাজস্থানগী বোল্লরশিং অদু নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমদুনা বোল ৩৬ দা সিক্স ৪ অমদি ফোর ৬ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ৭৮ লৌরমদুনা ৪০শুবা মেটচ অদু মখোয়না ৱিকেট ৬ তা মায় পাকখি।

## এসিয়ান এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপকী সোট পুটতা টাজিন্দরপালনা গোল্ড লৌখ্রে, স্বাপ্না বরমননা হেপ্তাথলোনদা সিলভর ফংখ্রে

*দোহা, এপ্রিল ২৩ঃ*

কাটারনা যুম্বু ওইরগা লৈবাক অসিগী সিটি দোহাদা চথরিবা এসিয়ান এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ দা ইন্দিয়াগী এঠলিট টাজিন্দরপাল সিংহনা সোট পুটতা গোল্ড মেডল লৌখ্রে, নুপীগী এঠলিট স্বাপ্না বরমননা হেপ্তাথলোনদা সিলভর মেডল ফংখ্রে।



*সোট পুটনা গোল্ড মেডল লৌখ্রবা ইন্দিয়াগী টাজিন্দরপাল*

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙরাং অথেংবদা পাঙথোকখিবা নুপাগী সোট পুট ইভেন্টকী ফাইনেল রাউন্দদা ইন্দিয়াগী এঠলিট টাজিন্দরপার সিংহ টুরনা মিটর ২২.২২ লংদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

নুপাগী জেবলিন থ্রোদা ইন্দিয়াগী সিভপাল সিংহনা মহাক্কী কেরিয়রগী খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স ওইনা মিটর ৮৬.২৩ মিটর লংলগা সিলভর মেডল লৌখি।

নুপা মিটর ৪০০ গী হর্দল লমজেলদা ইন্দিয়াগী জাবির মাদারি পাল্লিয়ালিল ৪৯.১৩ দা চেন্দুনা ব্রোঞ্জ মেডল অমা ফংখি। অদুগা নুপীগী মিটর ৪০০ গী হর্দল লমজেলদা ইন্দিয়াগী সারিতাবেন গায়াকৱাদনা ৫৭.২২ দা ব্রোঞ্জ মেডল অমা ফংবা ঙমখি।

এসিয়ান এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী হেপ্তাথলোন ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী রেকোর্দ হোল্ডর স্বাপ্না বরমননা পুন্না স্কোর ৫৯৯৩ ফংদুনা সিলভর মেডল লৌবা ঙমখি।

ইভেন্ট অসিদা উজবেকিষ্টানগী এঠলিট একাটেরিনা ভোরনিনানা পুন্না স্কোর ৬১৯৮ ফংদুনা গোল্ড মেডল লৌখি। অদুগা চাইনাগী এঠলিট ক্বিংলিং ৱাংনা অপুনবা পোইন্ট ৫২৮৯ ফংলগা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখি।

নুপীগী হেপ্তাথলোন ইভেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী এঠলিট পুর্নিমা হেমব্রামনা অপুনবা স্কোর ৪৮১৬ তৌদুনা ৫শুবা পোজিসন তাহৌখি।

ইন্দিয়াগী নুপী এঠলিট দুতি চান্দ মিটর ২০০ গী লমজেলদা ২৩.৩৫ সেকেন্দদা চেন্দুনা সেমি ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই দুতি চান্দনা ঙরাং পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ১০০ গী লমজেলগী ফাইনেল রাউন্দদা ১১.৪৪ সেকেন্দদা পন্থুংফম য়ৌদুনা ৫শুবা পোজিসন তাহৌখি।

### ক্রোসৱার্দ ১৪০ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| B | E | E | R | | H | A | S | H | | S | P | A | R | E |
| R | A | V | E | | E | L | L | A | | O | R | G | A | N |
| U | S | E | S | | S | P | A | R | | N | E | R | V | E |
| T | E | N | T | A | T | I | V | E | | | T | E | E | M |
| | | | A | L | O | N | E | | S | T | E | E | L | Y |
| S | A | L | T | I | N | E | | T | W | I | N | | | |
| I | S | E | E | | | | W | E | I | R | D | E | S | T |
| D | I | N | | A | R | R | A | N | G | E | | L | E | E |
| E | A | T | E | R | I | E | S | | | | P | L | A | N |
| | | | L | E | N | D | | P | A | T | I | E | N | T |
| R | E | R | E | A | D | | M | A | N | I | A | | | |
| E | R | I | C | | | C | O | N | T | E | N | D | E | D |
| R | A | N | T | S | | O | V | A | L | | I | O | W | A |
| A | S | S | E | T | | L | I | M | E | | S | L | E | W |
| N | E | E | D | Y | | T | E | A | R | | T | E | R | N |

## ইংলিশ প্রেমিয়র লীগদা চেলসি অমদি বর্নলি পাঞ্জল ২–২ দা দ্রো চৎখ্রে

*লন্দন, এপ্রিল ২৩ঃ*

ইংলেন্দগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা ৩৫শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা চেলসি অমদি বর্নলি পাঞ্জল ২–২ দা দ্রো চৎখ্রে।

মেটচ অসিগী অহানবা পাঞ্জল বর্নলিগী শান্নরোই জেফ হেন্দ্রকনা শান্নবগী ৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাখি। শান্নবগী ১২শুবা মিনটতা চেলসিগী শান্নরোই এন গোলো কান্টেনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নখি।

মিনট ২ লৈরগা চেলসিগী শান্নরোই গোঞ্জালো হিগ্বাননা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাখি। মেটচকী ২৪শুবা মিনটতা বর্নলিগী শান্নরোই এসলি বর্নেসনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেটচ অদু ২–২ দা দ্রো চৎখি।

ইটালিগী সেরি এগী ঙসি শান্নখিবা ৩৩শুবা লীগ মেটচ অমদা অটলান্টানা নাপোলিবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইখ্রে। শান্নবগী ২৮শুবা মিনটতা নাপোলিগী শান্নরোই দ্রাইজ মার্টেন্সনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফকী ৬৯শুবা মিনটতা অটলান্টাগী দুভান জাপাটানা পাঞ্জল অমা চল্লবা মতুং টিমমেট মারিও পাসালিকনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু অটলান্টানা ২–১ দা মায় পাকখি।

## ৱার্ল্ড টেবল টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ্তা মনিকা বত্র অমদি সুথির্টা মায় পাকখ্রে, সাথিয়ান অমদি অরচাগী পেয়র প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

*বুদাপেষ্ট, এপ্রিল ২৩ঃ*

হঙ্গেরিগী কোনুং বুদাপেষ্টতা চথরিবা আই টি টি এফ ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোই অনী মনিকা বত্র অমদি সুথির্টা মুখরজি মায় পাকখ্রে, মিক্স দবলসতা ইন্দিয়াগী জি সাথিয়ান অমদি অরচনা কামাথ মায় পাক্তুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।



*ইন্দিয়াগী নুপী পেদ্দলর মনিকা বত্র (ওই) অমদি সুথির্টা মুখরজি*

ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্‌থ গোল্ড মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী মনিকা বত্রনা সর্ভিয়াগী য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট গেম মরিদা ১৪–১২, ১১–৫, ১১–৫, ১১–৮ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

ৱার্ল্ড নম্বর ৫৬ তা লৈরিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই মনিকা বত্রনা অনীশুবা রাউন্দদা চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোই সু য়ুগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা ৫০২ দা লৈরিবা ইন্দিয়াগী সুথির্টা মুখরজিনা ৱার্ল্ড নম্বর ৫৮ দা লৈরিবা জর্মনিগী শান্নরোই সাবিন ৱিন্টরবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং ৮–১১, ১৭–১৫, ১১–৯, ৫–১১, ৬–১১, ১১–৮, ১১–৬ তা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী মাধুরিকা পাটকর অহানবা রাউন্দদা ওষ্ট্রিয়াগী অমেলি সোলজগী মখূত্তা ৫–১১, ১১–৯, ১১–৬, ৮–১১, ১১–৭, ১৩–১১ দা মায়থিহৌখি।

ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী অরচানা কামাথ ইজিপ্তকী শান্নরোই মেস্রেফ দিনানা ৮–১১, ৮–১১, ১৭–১৯, ১১–৮, ১১–৬, ১১–৭, ১১–৪ দা মায়থিবা পীরমখি।

ৱার্ল্ড টেবল টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা মিক্স দবলসকী রাউন্দ ওফ ৩২ গী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী পেয়র জি সাথিয়ান অমদি অরচনা কামাথনা স্পেনগী পেয়র অলভারো রোবলস অমদি গালিয়া ভোরাকপু ১১–৯, ১১–৪, ১১–৮, ১১–১৩, ১১–৯ দা মায়থিবা পীরম্লগা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মিক্স দবলসকী ঙসি শান্নখিবা রাউন্দ ওফ ৬৪ গী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী সারাথ কমাল অমদি মনিকা বত্র পোলেন্দগী পেয়র মারেক বোদোস্কি অমদি নাটালিয়া বাজোরগী মখূত্তা ১৪–১২, ৬–১১, ৫–১১, ৬–১১, ৩–১১ দা মায়থিহৌখি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী দবলসকী পেয়র সুথির্টা মুখরজি অমদি মাধুরিকা পাটকর কানাদা অমদি স্পেনগী পেয়র মো ঝাং অমদি মারিয়া জিয়াওগী মখূত্তা ২–১১, ১১–১৬, ১৩–১৫, ৮–১১, ৮–১১ দা মায়থিহৌদুনা মথংগী রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদ্রে।